## কোভিদ-১৯ থেংনবদা মতেং পাংলগনি

বৈজিং, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সি): সাউথ সুদান অমসুং রিপব্লিক ওফ গিনিনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা চাইনাগী নোংপোক থংবা অনহুই প্রোভিন্সতগী মেদিকেল টিম অমা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রে। টিম অদুদা লৌনগনবা লায়না থিংবা অমদি লায়েংবা, রেস্পিরেটরি লায়না লায়েংবা, ইন্টেন্সিভ ক্যের নর্সিং লমশিং অসিগী এক্সপার্ট ৮ য়াওই হায়রি।

## থিজিন্নবা তকশিনখ্রে

বৈরুট, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সি): বৈরুট হিথাংফমদা থোকখিবা শাথিরবা পোকখায়বগী থৌদোকশিংগী মতাংদা মালেমগী ওইবা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি মীখল ঙন্না পাঙথোক্লবা লেবাননগী মকোক থংবা সুনি ক্লারিক অমনা দিমান্দ তৌখি।

# মালিগী লান্মীশিংনা গভর্নমেন্ট ইন্থুখ্রে, মীখল মতম চানা পাঙথোক্কনি হায়না থাজবা পীখ্রে



বমাকো, ওগষ্ট ১৯, (এজেন্সি) :

মিলিটরি কূ অমা পাঙথোক্তুনা মালিগী প্রসিদেন্ট অমদি গভর্নমেন্ট ইন্থুরবা মতুংদা লৈবাক অসিগী লান্মীশিংনা তং তাবা ফিভম য়াম্না থুনা হঞ্জিহল্লগনি অমসুং মতম চানা মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামদা থাজবা পীখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম বৌবাকর কৈতাবু ওথোরিটি শীংনদুনা লান হৌরিবা লৈবাক অসিগী লান্মীশিংনা গন পোইন্টতা ফাজিন্দুনা থমখিবগা লোয়ননা হান্নদগী জিহাদিষ্টশিংগী লালহৌ মায়োক্নদুনা লাকখিবা লৈবাক অসিগী ক্রাইসিস হেন্না লুশিনহনখি। লান্মীশিংনা প্রসিদেন্ট কৈতাবু ফাজিন্দুনা থমখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা মহাক মফম থাদোক্লে হায়না লাউথোকখি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টসু মুথৎখি।

য়ুমশকৈশাগী অঙনবফাওবদা লান্মীগী লালহৌ অদু কনানা লুচিংলিবনো হায়বদুদি শেংনা খঙবা ঙমখিদে। তৌইগুম্বসুং লৈঙাক্কী ওথোরিটি শীংনদুনা ইরাং হৌরিবা নেসনল কম্মিটি ফোর দ সালভেসন ওফ দ পিপল কৌই হায়জবা লান্মীশিং অদুগী স্পোক্সমেন অমনা মখোয়না খোঙথাং অদু লৌখৎলিবদু মালিদা মখা তানা কাং খোং চাইবগী ফিভম লাকহন্দনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

কূ অদুবু মালিগী রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল পাটনরশিংনা খুদক্তা কন্দেম তৌনখি। প্রসিদেন্ট কৈতানা তুখিবা অসিনা হান্নগী ফ্রেঞ্চ কোলোনি অসিদা নত্তনা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী সাহেল রিজন অপুম্বদা কাং খোং চাইবগী ফিভম শোয়দনা লাকপা য়াই হায়না লমদম অসিগী অতৈ লৈবাকশিং অমদি মালিগী ইন্টরনেসনেল পাটনরশিংনা কিরি। লান হৌরিবা লান্মীশিংগী স্পোক্সমেন কর্নেল স্মাইল ৱেগনা মালিগী সিভিল সোসাইটি অমসুং পোলিটিকেল মুভমেন্টশিংদা পোলিটিকেল ট্রাঞ্জিসন লাকহনবদা মতেং পাংনবা অপিল তৌখি।

# ‘টাইৱানগী মনাক্তা য়ু এসনা ৱারসিপ থৌজিনখিবা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইখি’

বৈজিং, ওগষ্ট ১৯, (এজেন্সি) :

হন্দক্তা য়ু এস নেভিগী জহাজ অমনা চাইনানা ক্লেম তৌরিবা টাইৱানগা নক্লনা থৌজিনখিবদু য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইখি অমসুং অদুগুম্বা থৌওংনা উংখৎনবগী ফিভম লাকহনবা হায়বসি লৈবাক অনীমক্কী অপাম্বা ওইরোই হায়না চাইনিজ মিলিটরিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



য়ু এসকী গাইদেদ-মিসাইল দিষ্ট্রোয়র য়ু এস এস মষ্টিন অসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টাইৱান ষ্ট্রেটতা থৌজিনখিবনি। য়ু এস নেভিগী মায়কৈদগী মদু হৌখিবা থা খরা অসিদা চাং নাইনা চথুরক্লিবা নেভেল ভেসেলশিংগী খোঙচৎনি হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনানদি য়ু এস নেভিগী জহাজশিং ষ্ট্রেট অদুদা চৎপা খুদিংগী কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মিগী ইষ্টর্ন ঠিএটর কম্মান্দনা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এসকী জহাজ অদুগী খোঙচৎ পুম্বদু চাইনিজ এয়র অমসুং নেভেল ফোর্সশিংনা ইন্নদুনা কুপ্না শেন্নখি। টাইৱান ষ্ট্রেটতা খুদোংচাদবা থোকহনবা ৱাঙাঙশিং নৎত্রগা থবকশিংনা মখা তানা লমদম অসিগী ৱাথোক লুশিলহনবা হায়বসি চাইনা অমসুং য়ু এসকী অনীমক্কী অপাম্বা নত্তে। অদুগুম্বা থৌওংশিংনা ষ্ট্রেট অনী অসিগী নাকল অনীমক্তা লৈরিবা মীয়ামগী ঈং-তপ্পা অমদি তং তাবগী ফিভমদা অকিবা তশেংনমক হন্দক্কী য়ু এস নেভিগী জহাজনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুক্কী মতিক খুদোংথিনিংঙাই ওইখি হায়না কম্মান্দ অসিনা ফোঙদোকখি।

# বাইদেন ওফিসল ওইনা দেম্মক্রেটিক পার্টিগী কেন্দিদেট খনখ্রে



ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ১৯, (এজেন্সি) : য়ু এসকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন লাক্লিবা নবেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্টগী মীখলদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা লম্বা তৌনগদবা দেম্মক্রেটিক পার্টিগী কেন্দিদেট ওইনা হৌনবী মতুং ইন্না খনখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা মীখলগী মতম নবেম্বর ৩ য়ৌগদবা নুমিৎ ৭৬ খক্তা ঙাইশিল্লকখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিনা বাইদেনবু ট্রম্পকা মীখলগী লান থেংননবগীদমক্তা ওফিসল ওইনা খনখিবনি। মসিগী মমাংদা বাইদেন্না অফ্রিকন-ইন্দিয়ন কমলা হেরিসপু মহাক্কী রনিং-মেট খনখ্রবনি।

নোমিনেসনগী প্রোসেসকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ভার্চ্যুএল কনভেন্সনদা প্রমাইরিশিংদগী লাকখিবা দেলিগেট ভোটশিংগী ফাইনেল মশিং অদু রোল কোলগী খুথাংদা লৌদবা য়াদবগী ফিভম লাকখি। মসি ইরোয় লোয়না লৈহৌরিবা বাইদেনগী রাইভেল ওইরিবা মশানা সোসলিষ্ট অমনি হায়জবা বর্নি সেন্দরসনা মখা তানা ওফিসল চৎনবীদা কেন্দিদেট অমা ওইনা লৈবদগীনি। পনবা য়াবদি, সেন্দরসনসু বাইদেনবু হৌনবী মতুং ইন্না শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রবনি।

বাইদেন্না পুন্না ভোট ৩,৫৫৮ ফংদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা দেমোক্রেটিক লম্বাদগী মশিং য়াম্না হেনখি। দেলিগেটশিং অমসুং সপোর্টরশিংনা মহৌশাগুম কনভেন্সনগী মফমদা পুনখিদ্রবসু মায় পাকপগা মরী লৈননা কনভেন্সন অদুগী লাইভ টেলিকাষ্ট মরক্তা হান্না রেকোর্দ তৌখিবা সেলেব্রেসনশিংগী শক্তমশিং তোয়না উৎখি।

গভর্নরশিং, সেনেটরশিং অমসুং অতৈ লিদরশিংনা মখোয়গী ষ্টেটশিং রিপ্রজেন্ট তৌদুনা রোল কোল অদুদা বাইদেনবু শৌগৎপা ফোঙদোক্লখি।

# মোনার্কিদা অহোংবা লাকহন্নবা দিমান্দ তৌরিবা প্রোটেষ্টরশিং ফানবা হোৎনরি




বেঙ্কোক, ওগষ্ট ১৯, (এজেন্সি) : থাইলেন্দগী মোনার্কিদা অহোংবা পুরক্লবা মহৈরোয় কয়ানা পোইন্ট ১০গী দিমান্দ অমা ইশ্যু তৌখিবা হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা দেমোনষ্ট্রেসন অমদা শরুক য়াখিবা এক্তিভিষ্টশিং ফাননবা থাই ওথোরিটিশিং এরেষ্ট ৱারেন্টশিং ইশ্যু তৌখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মহৈরোয়শিংনা লৈবাক শীন থুংনা মখা তানা প্রোটেষ্ট চথনবা অপিল তৌবা লৈরিঙৈদা পুলিসনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। এক্তিভিষ্ট ৬ অসিদা শীরিবা মরালশিং অদু হৌখিবা ওগষ্ট ১০ দা থমাসাট য়ুনিভর্সিটিদা মীওই লিশিং কয়ানা চথখিবা প্রোটেষ্টতা তৌখিবা দিমান্দশিংগা মরী লৈনদে। তৌইগুম্বসুং কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অমদি ইন্টরনেল সিক্যুরিটি থুগায়বগা লোয়ননা কম্প্যুটর ক্রাইমশিংগা মরী লৈনননি হায়রি।

থাই পুলিসনা ফাননবা হোৎনরিবা এক্তিভিষ্ট ৬ তুগী মনুংদা মোনার্কিদা অহোংবা পুরক্লবা দিমান্দ তৌবা মেনিফেষ্টো অমা পাথোকখিবা মশাগী চহী ২১ শুরবা মহৈরোয় পনুসয়া সিথিজিরৱতাকুল য়াওরি। মহাক্তা নত্তনা ইহান হানবা ওইনা মীয়ামদা রোয়েল রিফোর্ম পুরক্লবা ইফোং ফোংনা অপিল তৌখিবা অমদি মমাংগী প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈননা মরাল কয়া শীবা লৈখ্রবা অনোন নম্পাসু য়াওরি।

মখোয়না দিমান্দ কয়া তৌবা লৈরবসু মীয়াম পুলহন্দুনা ইরাং থোক্লকপা য়াবা থৌওংশিং চথরোইদবনি হায়না পুলিসকী লেফটনেন্ট জেনরেল অম্ফোল বোরাবপোননা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, এক্তিভিষ্টশিং অসি মশা-মশানা লাকচদুনা সরেন্দর তৌরদ্রবদি ঐখোয়না মখোয়বু থেংনবা মফমদা ফাবা য়াই। প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুট চান্দ ওচা মফম থাদোকউ হায়না তকশিল্লদুনা মহৈরোয়শিংনা লুচিংদুনা থা অমারোম হেন্না প্রোটেষ্ট চথরকখি।

# সাইবর এটেকশিংদা চাইনিজ গভর্নমেন্টকা মরী লৈনবা হেক্কিং গ্রুপশিং চেন্নে

টাইপৈ, ওগষ্ট ১৯, (এজেন্সি) :



নারোলদগী মরু ওইবা দেতা হুরান্নবা হোৎনরকখিবা থৌওং অমদা চাইনিজ গভর্নমেন্টকা মরী লৈনবা হেক্কিং গ্রুপশিংনা য়ামদ্রবদা গভর্নমেন্ট এজেন্সি ১০ অমদি গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংগী ঈমেল একাউন্ট ৬,০০০ তা এটেক তৌখি হায়না টাইৱান্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

দেমোক্রেটিক টাইৱান্না ইথৎ অসিগী মীয়ামদা চাইনিজ গভর্নমেন্টনা শৌগৎপা হেক্করশিংনা ইথৎ অসিগী গভর্নমেন্ট ওফিসশিং অমদি ওফিসলশিংগী ঈমেল একাউন্টনচিংবদা এটেক তৌদুনা মতম চুপ্পদা নারোলদগী মরু ওইবা দেতা হুনবা হোৎনরি হায়রদুনা মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈনবা খঙহন্দুনা লাকখি।

চাইনানা মশাগী লমগী শরুক্কি হায়না ক্লেম তৌরিবা ইথৎ অসিগী মায়োক্তা বৈজিংনা শৌগত্তুনা চথুবা মিদিয়া কেম্প্যেনশিং অমদি সাইবর এটেকশিংগী মতাংদা মীয়াম্না য়ারিবমখৈ মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈনবা ইথৎ অসিগী ওথোরিটিশিংনা তোয়না অপিল তৌখি। চাইনিজ হেক্কিং গ্রুপশিংনা মতম কয়াগী মমাংদগী গভর্নমেন্ট এজেন্সিশিং অমদি মখোয়গী ইনফোর্মেসন সর্ভিস প্রোভাইদরশিংদা সাইবর এটেকশিং চথুদুনা লাক্লি হায়না টাইৱান ইনভেষ্টিগেসন ব্যুরোগী সাইবর সিক্যুরিটি ইনভেষ্টিগেসন ওফিসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর লিয়ু থিয়া-জুংনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, চাইনিজ গভর্নমেন্টনা থাদোকপা হেক্করশিং অসিগী পান্দমদি গভর্নমেন্টকী মরু ওইবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং দেতা লৌনবা হোৎনবনি। হৌজিক ফাওবদা গভর্নমেন্ট দেতা খরা লিক ওইরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈরে। মসিনা অচৌবা অকিবা অমা থোকহল্লে। কুমজা ২০১৮ গী অঙনবা শরুক্তগী হৌখিবা এটেকশিং অদুনা য়ামদ্রবদা গভর্নমেন্ট এজেন্সি ১০ অমসুং ওফিসল ৬০০০কী ঈমেল একাউন্টশিংদা টার্গেট তৌখি।

# ক্কারন্টিনগী মতম তেনশিন্নবা য়ু কে গভর্নমেন্টনা হিথ্রোগা খুৎশম্নরগা c টেষ্টিংগী থৌরাং অমা পায়খৎলক্লি

লন্দন, ওগষ্ট ১৯, (এজেন্সি) :



এয়রলাইশিং অমসুং এয়রপোর্টশিংবু ট্রাভেলগী থবক্তা মায় ওনশিনহন্দুনা লৈবাক্কী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং ওইনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা বৃটেন্না ক্কারন্টিনগী মতম তেনশিলহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা য়ুম্ফম ওইবা থৌরাং অমা লন্দগী হিথ্রো এয়রপোর্টকা খুৎশম্ননা পায়খৎপা হৌরে হায়রি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হিথ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, বৃটেন্না রুলদা অহোংবা লাকহনবগী ৱাফম অয়াবা পীদুনা টেষ্ট অনী পাঙথোকপা য়াহল্লবদি টেষ্টিংগী এরিয়া অমা হাংদোক্লনবা শেম-শারে। অনৌবা রুল অদুগী মতুং ইন্না অহানবদা এয়রপোর্ট অদুদা থুংলবা মীওইশিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরবা মতুং মখোয় অদু নুমিৎ খরনি লৈরগা অমুক টেষ্ট তৌগদবনি। মসিনা ক্কারন্টিনগী মতম হৌজিক লৈরিবা চয়োল অনীগী মতম অসিদগী হেন্না তেনশিলহনগনি।

হৌজিক চৎনরিবা রুলশিংগী মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, স্পেন, ফ্রান্স অমসুং অতৈ লৈবাক কয়াদগী লাকপা ট্রাভেলরশিং হেক থুংলবগা নুমিৎ ১৪ নি সেলফ-আইসোলেসন তৌগদবনি। থৌরাং অসিনা লম কোয়বা মীওইশিংদা নীংহন্নবা পোকহন্দুনা এয়রলাইনশিংদা শেল চাওনা মাঙবগী অৱাবা মায়োক্লহন্দুনা লৈরি। বৃটেনগী হেল্থ মিনিষ্টর মাট হেনকোকনা প্লান অসিগী মতাংদা গভর্নমেন্টনা হিথ্রোগা ৱা তান্নরি হায়না ফোঙদোকখি। বৃটিশ এয়রৱেজ, ইজিজেট অমসুং রেয়নএয়রনা গভর্নমেন্টতা ক্কারন্টিনগী মহুত্তা টেষ্টিংনা মহুৎ শীন্নবা তকশিনখিবনি।

# ৱেবিনরগী মতাংদা এ এম য়ুগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে



অলিগর, ওগষ্ট ১৯, (এজেন্সি) : খিলাফট মুভমেন্টগী মরমদা খন্ননবা হন্দক্তা ৱিবিনর অমা শীন লাংখিবা অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটি (এ এম য়ু)গী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা বি জে পিগী অলিগর য়ুনিটনা দিমান্দ তৌখ্রে।

বি জে পিগী লিদরশিংন য়ুনিভর্সিটি অসিগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিল্লদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে। পার্টি অসিনা মরাল শীরিবদি এ এম য়ুনা লৈবাক অসিগী ইন্টরনেল সিক্যুরিটিদা অকিবা পোকহল্লি হায়বসিনি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না ৱেবিনর অদু হৌখিবা ওগষ্ট ১১ দা পাঙথোকখি অমসুং খিলাফট মুভমেন্টগী মরমদা খন্নবদুদা টর্কিস প্রোফেসর অমসু শরুক য়াখি। ৱেবিনর অদু এ এম য়ুগী ভাইস-চান্সেলর (ভি সী)না প্রিসাইদ তৌখি অমসুং কি নোট স্পীচনা ঐচ হিলাল সহিন কৌবা টর্কিস প্রোফেসর অমনা পীখি। খিলাফট মুভমেন্ট হায়বসি মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওদা টর্কিনা মায়থিবা নংখিবা মতুংদা ওটোমান কালিফেট প্রোটেক্ট তৌনবা অমসুং বৃটিশ গভর্নমেন্টতা ইথিল পীনবা মুস্লিমশিংনা লোপ্ত তৌখিবা প্রোটেষ্ট কেম্প্যেন অমনি। কেম্প্যেন অদুবু মহাত্মা গান্ধিনসু শৌগৎখি।

বি জে পিগী হান্নগী মিদিয়া স্পোক্সপর্সন নিসিট শর্ম্মনা এ এম য়ুগী ভি-সী অমসুং ৱেবিনর অদুগী ওর্গনাইজরশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখি। ৱাফম অসি ইন্টরনেল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবনা ৱেবিনর অদুগী অকুপ্পশিং অদু ইনক্বাইরি কম্মিটি অমবু য়েংশিনহনগদবনি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবা য়াওনা টর্কিনা ৱারেপ খুদিংমক্তা ইন্দিয়াবু য়াদে অমসুং পাকিস্তানবু শৌগৎলি হায়বসি খঙনা-খঙনা এ এম য়ুনা সহিনবু ইনভাইট তৌদুনা খিলাফট মুভমেন্টকী মরমদা মোৎ পীহল্লি হায়না শর্ম্মনা ফোঙদোকখি।

# কর্নাতাকাদা কোভিদ টেষ্ট রিজল্টশিং ওনলাইনদা ফংহল্লে




বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১৯, (এজেন্সি) : কর্নাকাতাগী কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌখিবা মীওইশিং হৌজিক শুপ্পগী মখোয়গী স্পেসিমেন রেফরেল ফোর্ম (এস আর এফ) আই দি ইন্টর তৌরগা ওনলাইনদা রিজল্ট ফংলগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক্তি কর্নাতাকাগী মীয়াম্না গভর্নমেন্টনা পীবা পোর্টেলদা কোভিদ টেষ্টগী এস আর এফ আই দিদং চঙলগা টেষ্টকী রিজল্ট খঙবা য়ারগনি হায়না ষ্টেট অসিগী কোভিদ ৱার রুমগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

টেষ্ট রিজল্টশিং ইরায় লায়না খঙবা ঙম্নবগীদমক্তা সিনিয়র আই এ এস ওফিসর মুনিস মৌদগিলনা লুচিংলিবা কর্নাতাকা কোভিদ ৱার রুমনা পোর্টেল অদু শেমখিবনি। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা টেষ্টকীদমক সেম্পল পীখ্রবা মীওইশিংনা মখোয়গী রিজল্ট কনফার্ম তৌনবগীদমক্তা লেবোরেটরি নৎত্রগ হোস্পিটালদা চৎপগী তঙাইফদবা লৈররোই। মখোয়না ময়ুমদগী ইরায় লায়না রিজল্ট খঙজবা য়ারগনি। রিজল্টতা পোজিটিভ ওইরল্লবসু মীপাইদনবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মীয়ামদা অপিল তৌবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা মখোয়গা পাউ ফাওনদুনা তৌফম থোকপশিং তৌরক্কনি হায়খি।

কনাগুম্বা মীওই অমা পোজিটিভ ওইরল্লবদি মীপাইবা তৌদনা ময়ুমদা নাইতোম লৈদুনা ঈংনা চিক্লা লৈগদবনি। কর্নাতাকা গভর্নমেন্টনা মহাকপু মোবাইলগী খুথাংদা পাউ ফাওনরগা লৌখৎফম থোকপা লৌখৎকনি। লৈবাক অসিগী খা থংবা লমদমদা লৈরিবা ষ্টেট অসিনা লেবোরেটরি ১০১ দা নুমিৎ খুদিংগী কোরোনাভাইরস সেম্পল ৫০,০০০ হেন্না টেষ্ট তৌরি। হন্দক্তা ষ্টেট অসিনা থা ৫ রোমগী মনুংদা কোভিদ টেষ্ট লাখ ২০ পাঙথোকপা ঙমখি।

## অগ্রাদা কোভিদ কেস হন্থরক্লে

অগ্রা, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সি):

থা অসিদা নুমিৎ ১৭ নি লেপ্তুনা কোভিদ-১৯গী কেস ৱাংখত্তুনা লাকখিবা মতুংদা টাজমহলগী সিটি অগ্রাদা হৌজিক ইনফেক্সন হন্থরকপগী ফিভম অমা উবা ফংলে হায়রি।

নুংতিগী পোজিটিভ কেস ৩০ রোম দিটেক্ট তৌরম্বদগী হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা শুপ্পগী কেস ১৪ দমক থেংনখি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না সিটি অসিদা সেম্পল টেষ্টকী চাং ৱাংনা পাঙথোকচরবসু ইনফেক্সন মশিং হন্থরকখিবনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা সেম্পল ৮৩,৮৪৪ টেষ্ট তৌখ্রে। অদুমওইনমক লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ট্রেন্দ অসিগা মরী লৈননা থাঙ্গৈশেংনা ইনফেক্সন হন্থরক্লে হায়না ৱারোইশিন তাবমক্তি ঙনমল্লি হায়না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী দোক্তর অমনা ফোঙদোকখি।

সিটি অসিগী মেদিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফিভম ফগৎনবা থৌরাং পায়খৎলকখিবগা লোয়ননা হীদাক-লাংথকশিং অমদি খুৎলায় মতিক চানা ফংহনখি। সিটি অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনসু কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিং লায়েংনবা তোঙান্না ৱার্দশিং হাংদোক্লখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী মতুং ইন্না সিটি অসিদা হৌজিক পোজিটিভ কেস ২,৩৬৭ শুরে হায়রি।

# কোভিদ কিবদগী মহৈরোয় অমা সুইসাইদ তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১৯, (এজেন্সি) :



বেঙ্গলুরু সিটিদা লৈবা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স (আই আই এস সী)গী মশাগী চহী ২৪ শুরবা মহৈরোয় অমা মশাদা কোরোনাভাইরস পল্লম্বা য়াই হায়না কিবদগী মথন্তা শিজখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয় অদু লাইওং খরা উৎলকপা উবা মরুপ অমগা ৱারী শান্নখিবা মতুংদা মশাদা কোরোনাভাইরস চঙলম্বা য়াই হায়বগী অকিবনা মরম ওইদুনা শিজখিবনি।

আই আই এস সীগী বি টেক মহৈরোয় অমা ওইরিবা সন্দিপ কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন কিবদগী সুইসাইদ তৌখিবনি হায়বসি কনফার্ম তৌরে হায়না পুলিস ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

পুলিসনা মীশি অদুগী মতাংদা সী আর পি সীগী মখাদা মহৌশাগা মান্নদনা শিবগী কেস অমা বুক তৌখিবগা লোয়ননা মহৈরোয় অদুগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং লাকপা ঙাইরি হায়রি। সন্দিপনা কোভিদকী লাইওং খরা উৎলকখিবা মমান্নবা অমা উনখিবনি। মমান্নবা অদুদি লাইওংশিং অদুনা মরম ওইদুনা নাইতোম ওইনা লৈজখি। তৌইগুম্বসুং ভাইরেল ইনফেক্সনগী টেষ্টতা মহাক নেগেটিভ ওইখি। থৌদোক অসিগী মতুংদা সন্দিপনা মহাক্কী মরুপ-মপাংশিংদা ঈমেল থাদুনা মহাক কোরোনাভাইরস পল্লম্বা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবগা লোয়ননা সুইসাইদ তৌনিংলে হায়না ফোঙদোক্লমখি। মহাক ৱাখল নুংঙাইতবগী প্রোব্লেম লৈ হায়বসি হান্নদগী খঙনরবনি হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি। ঈমেল থাদুনা মরুপ-মপাংশিংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা লৈরবসু হান্নদগী দিপ্রেসনগী হিষ্ট্রি লৈবনা মহাক্কী ঠেং অসি লুনা খন্নখিদে হায়রি। মহাক লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হোষ্টেল কাদা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বনি।

## মিনিষ্টর পোজিটিভ ওইরম্বদগী চীফ মিনিষ্টর হোম ক্কারটিন তৌখ্রে

রাঞ্চি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সি): হেল্থ মিনিষ্টর বনা গুপ্তা কোভিদ-১৯ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা ঝরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর হেমন্ত সুরেন ক্কারন্টিন তৌখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কেপিটেল রাঞ্চিদা লৈবা ষ্টেট সেক্রেটরিয়েটদা চীফ মিনিষ্টরনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম অমদা বনা গুপ্তাসু শরুক য়াখি। কেবিনেট মীফম অদুগী মতুং পুং ৩ লৈরগা বনা গুপ্তগী টেষ্ট রিপোর্ট লাক্তুনা মহাক পোজিটিভ ওইরে হায়বসি খঙবা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা চীফ মিনিষ্টর সুরেন কোভিদ-১৯গী টেষ্ট অনীরক পাঙথোকখ্রে।

গভর্নমেন্ট সোর্সশিংগী মতুং ইন্না মহাক নুমিৎ মরিনি লৈরগা অমুক হন্না কোরোনাভাইরস টেষ্ট চথগনি। মমাংদা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসল রেজিদেন্সকী ষ্টাফ্‌র ২০ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইখ্রবনি। সুরেন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্রোগ্রাম খুদিংমক কেন্সেল তৌখি। বনা গুপ্তনা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা ষ্টেট অসিগী অনীশুবা মিনিষ্টরনি। মমাংদা দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন মিনিষ্টর মিথিলেস থাকুর কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী লেজিসলেটর ৪ কোভিদ পোজিটিভ ওইরে।